**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 31-12-2024)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**
**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**
**(তাং ৩১-১২-২০২৪, লৈবাকপোকপা)**

**টিবি(এল)**ঃহৌজিক চঠরিবা নুমিৎ ১০০নিগী টি.বি ইলিমিনেসন কেম্পেইন অসিদা জিলা ৬ তা লৈরিবা টি.বিগী লাইওং উৎপা অমদি উত্তবা মীওই খুদিংমক টি.বি স্ক্রিনিং অমদি টেষ্ট তৌনবা থৌরাং তৌরি হায়না ষ্টেট টি.বি সেল দিরেক্তর ডা.আর.কে রনজননা ফোঙদোক্লি।

ঐখোয়গী পাউমীগা অখন্ননা উন্নবা অমদা টি.বি সেলগী দিরেক্তরনা হায়-টি.বি লায়না খঙদোকপা অমদি লায়েং চঠবা অসি লেমা পাঙথোকপনি। টি.বিনা নারবা মীওইশিংদা নিক্সে পোসন য়োজনাগী মখাদা ইসেন্তিভ ওইনা লায়েংবা লোয়বা ফাউবা লুপা লিশিং ১ দাইরেক বিনিফিট ত্রান্সফরগী খুথাংদা পীরি। মসিগীসু মথক্তা প্রধান মন্ত্রি টি.বি মুক্ত ভারত অভিয়ানগী মখাদা ফুদ বাস্কেটশিং পীগনি। হায়রিবা ফুদ বাস্কেট অসি নিক্সে মিত্রগী খুথাংদা পীগদবনি। ডা.রনজননা মখা তারদুনা হৌজিক চঠরিবা কেম্পেইন অসিগী শরুক অমা ওইনা টিবিনা নারবা মীওইশিংগা শোকা শমরুবা নকবা মীওইশিং সাই.টি.বি টেষ্ট তৌগনি। করিগুম্বা মদুদা পোজিতিভ ওইরল্লগদি টি.বি লায়নাদগী ঙাকথোকবা টি.বি প্রিভেন্তিভ থেরাপী চঠগনি। টি.পি.টিগী মখাদা হীদাকশিং চাং নাইনা চাথোক্লবদি টি.বি লায়নাদগী ঙাকথোকপদা মতেং পাঙলি।

**পুলিস(এল)** ঃ মনিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসি লাকশিন্নবা সেক্যুরিতিগী অপুনবা কাংবুনা চীং অমসুং তম্পাক্কী চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চঠরি। ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী সঙ্গাইসাবীগী অকোইবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চঠবদা য়াল্লবা খূৎলাই ফাগৎলে। পুলিসকী পাউনা হায়-ফাগৎলবা খূৎলাইশিং অদুদা মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম পিষ্টোল অনি, কর্বাইন অমা,

শেমদোক্লবা থ্রি নোট থ্রি স্নাইপর রাইফল অমা, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অহুম, নাইন এম.এমগী মরু ১২, হেন্দ গ্রেনেদ ৪ অমদি ৱায়রলেস সেট অমা য়াওরি।

**এ.আর (এল) ঃ** অসাম রাইফলসনা চান্দেল জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফম অনিদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা মীওই অনি য়াওনা য়াম্লবা খূৎশু খূৎলাই কয়া ফাগৎলে। অসাম রাইফলসকী পাউনা হায়-হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা অসাম রাইফলসকী কাংবু অমনা থিংফাই অমসুং টি.এস লাইজাংদা থিবা হুম্বগী থবক চথখি। মদুদা, এম.সিক্সতিন রাইফল অমা, লেথোদ গন অমা, পোখাইবা য়াবা বোমগী মচাকশিং, ফাইভ পোইন্ট ফাইভ সিক্স এম.এমগী কাপ্পা য়ারিবা মরু অমদি লেথোদ বোম য়াওরি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদা, থা অসিগী ২৬ তা অসাম রাইফলসনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা চাংপোল খেংজোহদগী মীওই অনি খূৎলাইগা কোন্ননা ফাখি। মখোয়দগী এ.কে ফিফটি সিক্স রাইফল অমা, চাইনিস এসোল্ট রাইফল অমা অমদি মেগজিন অহুম ফাগৎখি। ফাগৎলবা মীওই অমদি খূৎলাইশিং অদু মখা তাবা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎনবা মরি লৈনবা পুলিস ষ্টেসনশিংদা খুৎশিন্নখ্রে।

সেক্যুরিতি ফোর্সকী অকনবা চেকশিল থৌরাংগা লোয়ননা নেসনেল হায়ৱে-২ ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীদা নোংমদা তঙাইফদনা চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং পুবা গারি ৪২৬ ইম্ফাল য়ৌরকখ্রে। নেসনেল হায়ৱেশিংদা মীয়ামা চখোক চৎশিন তৌবদা অপনবা থোক্তনবা সেক্যুরিতি চেক পোইন্ট ১০৭ হাংদোক্কুনা অচৎ-অওকশিং চেক তৌবগী থবক চথরি।

**ককচিং (এল)ঃ** ককচিং লমখাইদগী হৌরগা ককচিং তাউন ফাউদুনা চৎলিবা নেসনেল হায়ৱে-১৩৭-এগী শরুক্কী ফীভম অসি ফত্তবনা নোংজ্ থাগী মতমদা মীয়ামগী চখোক চৎশিনদা চাউনা খুদোংথিনিঙাই ওইরে হায়না ওল ককচিং ক্লবস কো-ওর্দিনেতিং কম্মিটিগী চেরোল অমনা হায়রি।

চরোল অসিনা হায়-লম্বী অসি অথুবদা শেন্বীদ্রবদি অকনবা খোঙজং চংশিল্লগনি ।

**জল জিবন(এল)**ঃজোইন্ট এক্সন কন্মিটি জল জিবন মিসন নিউ দেভলপমেন্ট বেঙ্ক তৌশেম ব্লোক অমসুং তামেংলোং ব্লোকনা নেসনেল হায়ৱে-৩৭দা চথরম্বা ইকোনোমিক ব্লোকেদকী খোঙজং অদু য়ানবা পুরকখ্রে। জে.এ.সিগী চেরোল অমনা হায়-বিষ্ণুপ্রকাশ আর পুংলিয়া লিমিতেট অমদি লোকেল ফেসিলিটেটেরশিংনা জল জিবন মিসনগী পীথোক্তনা লৈরিবা শেনফম অথুবা মতমদা পীথোক্লগনি হায়বগী থাজবা পীরকপদগী খোঙজং অদু হন্দোকপনি। লোয়ননা, খোঙজং মনুংদা ফাজিনখিবা পোৎলমশিং ভলনতিয়রশিংদগী লৌরবা য়াগনি।

**সহিত্যা(এল)** ঃ নহারোল সহিত্যা প্রেমি সন্মিটি ইম্ফালগী শ্রী বিরেননা কৎচবা কবি কির্তন (ৱাকমা হোঙবা) ১০ শুবা চহীগী থৌরম ঙসি পাঙথোক্লগনি। জে.এন মণিপুর দান্স একাদেমিদা পাঙথোক্কদবা কবি কির্তন, ৱাকমা হোঙবগী নুংগী ওইবা পান্দমদি লাইওইখ্রবা খূৎমাবা কবিশিংগী মফমদা ইকাই খুমবা উত্তুনা মখোয়না তৌবীরম্বা মপাল নাইদ্রবা খুদোলশিংবু নিংশিংবনি।

**য়ু ট্যুব(এল)** ঃ অকাশবানি ইম্ফালগী ই পাউ কাংবুনা চহী লোয়বগা মরি লৈননা পুথোকপা অখন্ননবা থৌরম-অরিবা চহী ২০২৪ বু হনগৎন য়েংবা, অমসুং অনৌবা চহী ২০২৫ বু তরামা ওকচবগী থৌরম অমা ঙসি নুমিদাং পুং ৯ মখায়দা অকাশবানি ইম্ফালদা শন্দোক্কনি। থৌরম অসি য়ু ট্যুব চেনেল অকাশবানি ইম্ফালদসু লাইভ স্ত্রিমিং তৌগনি।

**মেট ঃ** মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি-লাক্লিবা নুমিৎ নিনি হুমি অসিদা মনিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা অয়ুক অমসুং নুমিদাংদা কা হেন্না লৈচিল

থারবা য়াই। লৈবাক অসিগী কোনুং নিউ দিল্লি য়াওনা অৰাং ভারত্তা ঈংবগী চাং হেনগৎলক্লগনি। লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা হায়রিবা মফমশিং অসিদা অনৌবা চহি লাকপগা লোয়ননা ঈংবগী চাং খঙহেন হেনগৎলগনি।

উত্তর প্রদেশতা লাক্লিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা সেলসিয়স দিগ্রি ৪ দগী ৬ ফাওবগী চাংদা ঈংলবা য়াই হায়রি। পঞ্জাব, হরিয়ানা, চান্দিগর, দিল্লি অমসুং রাজস্থানদনা লাক্লিবা নুমিৎ হুমি অসিদা ঈংবগী চাং অসি সেলসিয়স দিগ্রি ৩-৪ ফাওবা য়ৌরবা য়াই। মহারাষ্ট্রদসু লাক্লিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা ঈংবগী চাং অসি সেলসিয়স দিগ্রি ২ দগী ৪ ফাওবা য়ৌরবা য়াই হায়রি।

**ইসরো ঃ** ইন্দিয়ন স্পেস রিসর্স ওর্গনাইজেসন (ইসরো) না অন্ধ্র প্রদেশকী শ্রী হরিকোতাদগী ঙরাং ওর্বিত্তা লৈবা স্পেস ক্রাফটকী দোকিং অমসুং অন-দোকিং তৌবা উৎনবা সেটিলাইট অনি থাগৎখ্রে । ঙরাং নুমিদাং ভারতকী পী.এস.এল.ভি-সী-সিক্সটি রোকেটনা স্পেস দোকিং এক্সপরিমেন্ট তৌনবা সেটিলাইট অনি-এস.দি.এক্স-জেরো ৱান অমসুং এস.দি.এক্স-টু য়াওনা তোঙান তোঙানবা পেলোট ২৪ থাগৎখিবনি। মথং চহীগী জনুৱারি থাগী অহানবা চয়োলদা সেটিলাইট অনি অদুনা স্পেস দোকিং চাংয়েং অদু পাঙথোক্কনি। চাংয়েং অসিনা মাই পাক্লবদি থা য়াওনা পৃথিবীগী ৱাংমদা লৈরিবা গ্রহশিংদা চত্তুনা মফম অদুগী নুং অমসুং লৈবাকশিং পৃথিবী লৈমাইদা পুরকপা ঙম্লগনি। মসিনা ভারতপু মালেমগী ওইনা অসিগুম্বা মখলগী সেটিলাইট থাগৎপগী লমদা মরিশুবা লৈবাক ওইরগনি।

**পঞ্জাব ঃ** পকিশতানগী আই.এস.আই অমদি টেরোরিষ্ট গ্রুপশিংনা পঞ্জাবগী শান্তি রাক্সাগী ফীভমদা চরাংনবা থোকহন্নবা হোৎনরম্বা টেরোরিষ্ট ১৪ পঞ্জাব পুলিসনা ফারে। ফারবশিং অদু বাবর খালসা ইন্টরনেসনেল অমসুং খালিস্তান জিন্দাবাদ ফোর্সকী টেরোরিষ্টশিংনি হায়রি। মখোয়না পুলিস লৈবা মফম ৮ দা বোম পোখাইহন্ননবা থৌরাং তৌরম্বনি। মখোয়দগী হেরোইন

কিলোগ্রাম অমা য়াওনা খূৎলাই কয়াসু ফাগৎলে হায়রি।

**দেল্লিঃ** লাক্লিবা নিউ ইয়র কুম্মৈ পাঙথোকপদা মীয়াম অশোয় অঙাম থোক্তনবা অমদি শান্তি ওইনা পাঙথোকবা দেল্লি পুলিসনা লৈবাক্কী কোনুং অসিদা অকনবা চেকশিল থৌরাং লৌখৎলে। নিউ ইয়র নুমিৎ অসিদা মী কা হেন্না তিল্লবা য়াবগী ওইথোকপা লৈবনা পুলিসনা অহেনবা পর্সনেলশিং থমদুনা খুদোংথিবা থোক্লকপা মতমদা মতম চানা থবক লৌখৎনবা থৌরাং তৌরি। লম্বীগী চথোক চৎশিন্দসু অহোংবা কয়া লৈরগনি। ঙসি নুমিদাং পুং ৮ দগী দেল্লিগী কনাউট প্লেসতা গারি চংবদা অথিংবা থল্লে।

--**পাউ লোইজরে**--

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা জিরিবামগী জাকুরাধোরদা চথখিবা লান্দা কে.এন.এফ.পাননি হায়বগী বিদিও কোর্টতা লানখৎখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। ষ্টেট এনভাইরনমেন্ট পোলিসি শেমবা থৌরাং তৌরি হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফমদা এন.ঈ.সিগী মখাদা তুরেল ৱাতর বোদিশিং প্লাস্তিকা থিংজিল্লকপা থিংনবা থৌরাং পায়খৎলগনি হায়বা এনভাইরনমেন্ট মিণিষ্টর বিশ্বজিৎকী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি। পাউ অসি মণিপুর নিউজতসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুরগী ইরাং লোকেল খ্রাইসিস নত্তে হায়বা রিতায়র্দ লেফটনেন্ট জেনরেল দি.এস.হুদ্দাগী ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। মণিপুরদা লালহৌবগা মরি লৈনবা থৌদোকশিং হেনগৎলক্লি হায়বা মিনিষ্টর ওফ হোম এফিয়রসকী রিপোর্ট পীপলস ক্রোনিকলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি সনালৈবাক, মোর্নিং বেল, নহারোলগী থৌদাং, মণিপুর মেলদসু অহানবা লমাইদা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙবা থেংনরি।

হুইয়েন লানপাউদা চুরাচান্দপুরদা কুকি টেরোরিষ্ট মশেল নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎতোকরমদৌরে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি। পাউ অসি ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতসু অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

নহারোলগী থৌদাংদা-এংগ্লো কুকি ৱার-১৯১৭-১৯ উখ্রুলগী লোংপী খুলদা থোকখিবা লৈতে হায়বা লোংপী চিফকী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

অনৌবা চহীনা লাকপদা পোপী য়াম্থৎলে হায়বগী পাউ তাদবা চহী ওইহল্লসি হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মোর্নিং বেলদা মিজোরাম লৈঙাকা ম্যান্মার রিফিউজিশিং বাইওমেট্রিক লৌবগী থবক হৌদ্রি হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ইচেল এক্সপ্রেসতা ইন্দিয়ানা ম্যান্মারদা য়েংলিবা মিৎয়েংনা মণিপুরদা ৱাথোক ওইরকপনি হায়বা রিপোর্ট অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর নিউজতা থমাপোকপীদগী লাঞ্জেন্নখিবা খুঞ্জাশিং হনজিন্নবা হৌরে, থেংলবসু থেংনা সেন্ট্রেল ফোর্স থন্নকখিবা থাগৎলি হায়বা লম্লাই কেন্দ্র ভিলেজ ভলনতিয়র ফোর্সকী ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

অমু মচা মীহাত্তা চেন্নবা শ্যামকিশোর লাইফ ইম্প্রিজনমেন্ট পীখ্রে হায়বা পাউ অমশু অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

সনালৈবাক্তা-শঙ্গাখিবা চহী মরি মপুং ফারক্লবা ব্রেষ্ট টু ইর্জি প্লান কাংখথাং ওইরে, পী.পী.পী মোদেলদা শেমগৎখিবা প্লান অসিগী পার্টনর কম্পনি চেনখ্রে হায়বা অখন্নবা পাউ অমা অহানবা হেদলাইন তৌরি।